# এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

## মরী লৈনবশিংনা য়েংশিনবীনবা হায়জবা

*ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,*

লমদমসিদা নুংতিগী ফোঙবা পাউচেশিংগী মতুংইন্না 'মিনিষ্ট্রি ওফ হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়র (নোর্থ ইষ্ট সেক্সন) গী অন্দর সেক্রেটরি জিটেন্দ্র কুমার জাঙ্গিদনা মণিপুরগী চীফ সেক্রেটরিদা থারকপা অইবা চেরোল অমগী মতুংইন্না মণিপুরদা হেল্থ ফেসিলিটি মপূং ফানা ফংহন্নবা ডাক্তর ২৪ থারকখ্রে"

মথক্কী ৱাফমসিনা খঙহল্লিবদি মণিপুরগী মপান্দগী থারকপা ডাক্তরশিংনি হায়না খলহল্লি। অদুগা থারক্লি হায়রিবা ডাক্তরশিং অসিগী মনুংদা ১২ দি হান্না মণিপুর মনুংদা লৈবা ঙাক্তনি। করম্না মপান্দগী থারকপা ওইগদৌরিবনো?

ঈরাং অসুক ফৎত্রিঙৈ মরকসিদা মীতৈ মচা ডাক্তরশিং অসি কুকিশিংগী মরক্তা থাজিল্লিবা করিগীনো? অদুক য়াম্না ডাক্তর তমখ্রবা, থবক তৌখ্রবা কুকি ডাক্তরশিং থাজিনবদি য়াদব্রা? করিগুম্বা ফীভম শোক্লবা, ডাক্তরনা কনবা ঙম্লরোইদবা অনাবা অমা শিখিবা থোক্লবা, অদুগা লায়েংলিবা ডাক্তর অদুনা খুদোংথিবদা তারবদি কনানা মদুগী থৌদাং পুগনি। লুপা লাখ খরগী কম্পেন্সেসন অদুনা ডাক্তর অমগী পুন্সিগা মন্তিক্লবা য়াগদৌরিব্রা? মসিগী মতাংদা য়েংশিনবীনবা মরী লৈনবগী মফমদা নীংশিংজরি।

**অদোমগী - লাইশ্রম বীরমঙ্গোল**
শামুশঙ উকুসনা লৈরক

## ঈরাং অসিনা শোকহনখ্রবা পূম্নমক্কী অৱাবদসু শরুক য়াজরি

*ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,*

ওইরক্লিবা ষ্টেট অসিগী লো এন্দ ওর্দরগী ফীভম অসিনা ঐখোয় লোইজিং লোয়া, চীংখোঙ-চীংয়াদা চম্না হিংজরিবা খুঞ্জাশিংগী মীপাইনীংঙাই মতম অসিদা ইকায়খুম্নজরিবা এদিটরগী মফমদা ৱাহৈ খরদং থমজগে।

হৌজিক ষ্টেট অসিগী ঈরাং অসিনা খ্বাইদগী ইপাই-থপাই পোক্লিবা, অমাঙ অতা থোক্লিবা মফম অমা হায়রগদি কুম্বী এ সীগী তোর্ব্বুং গ্রাম পঞ্চায়টতগীনি। ৱাথোক লাম্থোক অসিগী অহানবা ইৱাইফম তোর্ব্বুং গ্রাম পঞ্চায়ট অসিগী মরাইবক থীরবা য়ূমশিংদনি। পঞ্চায়ট অসিগী নোংপোক হেক থংবদা লৈরিবা ষ্টেসন গ্রাম পঞ্চায়টনা মথংদনি, মথংদনা মোইরাং এ সীগী খা অমদি নোংচুপ থংবা খুঙ্গংশিংদনি।

কুম্বী এ সীগী ঙমখৈদগী চুড়াচান্দপুর টাউন কিলোমিটর ৯ খক্তনি। কুম্বী এ সীগা সাইকোট এ সীগা, মোইরাং এ সীগা- হেংলেপ এ সীগা তাইনরগা লৈবা বিষ্ণুপুর-চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট অনীগী য়াম্না মরু ওইবা চেকশিন থৌরাং তৌফম থোকপা য়াম্না সেন্সিটিভ অমদি ষ্ট্রেটেজিক ওইবা তোর্ব্বুং অমদি সাইতোন জি পি জঙ্কসন অমনি। কুম্বীগা সাইকোটকা চাওরাক্লা কিলোমিটর ২৫ মুক তাইনৈ। কপ্রাং চীংয়াদগীনা শুগনু থোংখোং ফাওবদা মৈতৈ খুল ৩০ মুক, কুকি-চিন-মিজো খুল ২০ মুক্কা পূন্না লৈমিন্নবা অশাংবা পরিং অমনি। মোইরাং এ সীগী খা অমদি নোংচুপ থংবা টিদ্দিম রোদ পরিংগী খুনশিংগা হেংলেপ এ সীগা তাইনবা ময়াম্নসু হেন্না খঙবীরবা মফমনি।

পুৱারীগী তাঙ্কক কয়াদসু খোংজাইশিংনা খুবী অমদি মোইরাংদা লান তাবগী ৱাথোক-লাম্থোক খরসু লৈখ্রে। কুমজা ১৯১৭গী দিসেম্বর ১৯, য়ূমশকৈশা নুমিৎতা খোংজাই লালহৌ খোঙবু অমনা কংলৈ নিংথৌগী লৈঙাক শীংনদুনা কুম্বী ইতাই (ইথাই) দা লৈবা মণিপুরগী খ্বাইদগী চাওবা ফোরেষ্ট টোল টেক্স ওফিসতা লান তাখি, অমাঙ অতা কয়া থোকহনখি।

কুমজা ১৮৭২দা ওন্থাং খোংজাই, লুসাই তম্বাম, লালমুঙ, লালৈপুং খোংজাইনা লুচিংবা চীংগী লালহৌবা খোঙবুনা কুম্বী, মোইরাং, কবুইশিংদা লান তাদুনা ঙসিগী তৌরিবা মতৌ অসিদা মতম অদুদসু থোকখিবা লৈ। ৱাথোক লাম্থোক অদুদা কোনুংনা মেজর অনী ফম্নাই ফমদৌ, অমাইবা থারক্তুনা চীংগী লালহৌবশিং তুয়াই তুরেল মপান্দা মৈতৈ মাইবা তাবুমনা হুইগী মকোক পায়দুনা, লুসাই তম্বাম্না হুই মমৈ পায়দুনা কুম্বী মোইরাংদা লান অমুক তৌজররোই হায়না ৱাশকহনখি। মেজোর অমনা করিগুম্বা অমুক হন্না কুম্বী, মোইরাংদা লান্দারক্লবদি চীংগী খুমন তুম্নবা হাৎকনি হায়না থাঙ চিকহন্দুনা অমুক্কা ৱাশকহন্দুনা য়োৎচৈবু কোহলনখিবা লৈ।

কুমজা ১৯১৭-১৯ ফাওবগী কুকিগী ঈরাং হৌবদা ৱাথোক লাম্থোক লোইশিন্নবা শ্রীযুক্ত মহারাজ সার চুড়াচান্দ মশামক কুপ্লক্তুনা তোর্ব্বুং য়ৌরমদাই কুম্বী পুখ্রি হায়রগা খঙনবা মফম অসিদা লানবন শানা লৈরগা দম্পী নিংথৌবু লানফা ওইনা ফাদুনা মৈতৈ লৈঙাক্তা অমুক হন্না লান তৌজররোই হায়দুনা খোংজাই লাল লোইশিনখিবা ঙম্বদগী শ্রীযুক মহারাজ সার চুড়াচান্দবু দম্পি-লোইঙম্বা হায়না খঙনখি।

হৌখিবা জেনরেল ইলেক্সন ২০২২, কুম্বীদা হেলিকোপ্টর তোংদুনা, কুম্বী কাংজেবুংদা বি জে পিগী ইলেক্সন কেম্প্যেন তৌরম্বা ওনরেবল চীফ মিনিষ্টর ঙসিসু মহাক্লা হেলিকোপ্টরদগী কুমথরক্লগা পীরম্বা ৱারোল কয়া কুম্বীগী খুঞ্জাশিংনা নীংশিংলি। ঙসিদি কুম্বী এ সীগী অপংবা, লায়রবা মীচম মীয়াম অমা চীংগী লালহৌ চৈথেং কনবীনবা, ঙাকপীনবা, শেন্নবীনবা কনা য়াওদনা নুপীশিংনা পুং২৪ লমজাও থোক্তুনা খুনবু ঙাক্লরি। ঈরাং অসিগী ইৱাইফম কুম্বী এ সীগী লায়রবা কয়াগী য়ূম কৈশিংনা উৎকী মপৈ মপৈ ওনখ্রবা, তাঙলবা মীওইবগী পুন্সি কয়া পীখম্নখ্রবা মতুং ঙসিসু চিঠি অসিনা ইরিঙৈ অয়ূক্কী পুং ৩ তারকপা অদুৱাইদগী নুংশিরবা এ সী অসিগী মখা ইথং থংবা ঈংনা চিক্লা খুন্দাজ রিবা নাপৎ, তাংজেং, চন্দোনপোকপী খুঙ্গং মচা মচা কয়া মৈনা তুম্না চাক্লকপগী পাউ ফংখি। লান্দারকপদু কন্নবা চঙলুবা কুম্বী-ৱাঙু খুনলোন্নবা কয়াদগী থৱায় মাঙখিবা মীওই ৬/৭ ওইবা য়াই হায়না পাউ তানরক্লি, তাঞ্জা অসিদা অৱা অনা নংলবা ময়ূম মকৈ মৈনা পুমচাক চাকখ্রবা অমদি ঙসি হয়েং হংচিৎ বলিগী হামেংগুম্না কুম্বী এ সীগী মীয়াম মাগী মাগী নুমিৎ ঙাইদুনা লৈরিবা ফীভম অসিবু অমুক্তংদি কুম্বী এ সীগী পাম্বে লৈতা লাম্থেংনরিবা পাঙ্গল তৌই শোনবা, মীচং তৌই লৈজদ্রবা, খূৎলায় তৌই লৈজদবা, মচাক তৌই লৈজদা, নোংমৈ তৌই লৈজদ লৈফমসু খঙজদনা ককঙাওনরিবা ইপাই-থবাই পোক্লিবা, খোইরাং খোইশাও পোক্লিবা, চনীং চমাং তাদ্রিবা, চলাম চখম্না পোক্লিবা, চেনফম লৈতনা হিংনরিবা মীয়াম্বু কনবীনবা কুম্বী এ সীগী ওনরেবল এম এল এনা অমুক্তা কনবীয়ু, ওনরেবল সী এমবু লৈবাক্কী চিরবা তাঞ্জা অসিদা ইরমদম কুম্বী এ সীবু অমুক্তংদি য়েংবীরম্মু। ঈরাং অসিনা শোকহনখ্রবা পূম্নমক্কী অৱাবদসু শরুক য়াজরি।

**অদোমগী - বোবিজেমস ৱাহেংবম**, কুম্বী

## ষণ অতেবনা ৱাইবা শরূ ফংই

*ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,*

য়াম্না শাংনা ইবসি য়াম্না তল্লি। থম্মোয়দা ফাওরকপা ৱাহৈ মঙা-তরাদং দোং দোং ঙাঙবা ইবসিনা থোইনা পামজৈ। ববানা ঐবু অচুম্বা ঙাঙবা অচুম্বা চৎপা য়াম্না পামজখি, ওইদবা ঙাঙগনু হায়বসি মতম লৈবা খিবিক্তা হায়বীরম্মী। কয়া ফূখি, কয়া চৈখি, ঐ হৌজক্তদা ৱাখল তারকই অচুম্বা ঙাঙবা, অচুম্বা চৎপগী কান্নবা কয়া। ঐগী (গুরুদেব) লমজিং লমতাকপীবা হায়বা তারে, লৈখিদ্রবা শ্রী শাদোকপম মঁখুমঙ্গলসি লৈকায়গী মীয়াম্না 'মাম্মহল' হায়না মিঙ্গৌনৈ। মাগী ৱার্কশোপসিদা শেমদবা শাদবা মানা খঙদবা হৈতবা অমত্তা লৈখিদে। ঙাইহাক শংবদা মাগী মনাক্তা চৎনীংই। মতমদুদা চুরুটসি আকবরগী ফোটো য়েকপা মতমদুদা শিকিদা পীরম্মী উপুদা, মাগী উপু অমা ঐগী উপু অমা চুরুট উপু অনীসি লোইনা থকমিন্নরগা ৱারী শান্নবনি। কনাগী সরক্তা হৌবা খোংনাং পাম্বীদগী, ফুরাদগী, পুখ্রি-খোংবান্দগী, অনীশুবা লাঞ্জাওগী ৱারী।

পিক্তক তৌবা মণিপুরগী অমদি পৃথিবীগী ৱারীনি। মানা লীবিরম্বা ৱারীদি য়াম্না য়ামখ্রে। হৌজিক থোক্লিবা কাঙলূপকী ঈরাংসি থোক্ত্রিঙৈগী মমাঙদা নোংমদি শোয়দনা থোক্লকখিনি হায়বগী ৱারী লীবিরম্মী। মতেক অমত্তং মীয়ামদা থমজগে। হৌজিক্কী যুগসি কলি কুননিপালশুবা কলি যুগনি, হৌজিক্কী মতমসি খুড় কলিনি। কলিদা মী নোক্লবা খুদৈ কংদে হায়বগী অর্থদি খুদক খুদক্তা য়াম্না থুনা ফল ফংঙি হায়বনি। ষণ অতেবনা ৱাইবা শরূ ফংঙি, য়োখোক লালগী করিগী ৱারী য়ামখ্রে। মহা ভারতকী, রামায়নগী সত্য, ত্রেতা, দ্বাপুর, কলিগী যুগ মরিগী ৱারীশিংসি লোইনমক নুংঙাই, নুংঙাইতবা অমত্তা য়াওদে হায়বা তাই। পোইন্টতা লাকচরবদা কুননিপালশুবা কলি য়ৌরে হায়বসি পিক্লিবী নুপীমচাশিংদা মপুম মরৈ ফারবা নুপাশিংনা ফম্লানবীবা পাদোংবীবা মতম অদুনি। মতম অদু য়ৌরবদি 'ক' না হৌবা মফমদগী হেন্দোক্ননু হায়না তাকপীরম্মী।

হৌজিক থোক্লিবা লাল অসিগী মতাংদা ঐখোয়না য়েংবা য়াবদি, ধর্ম্মনা লৈখা তারক্লবা মতমদা ফত্তবশিংবু লানবীনবা অফবশিংবু কনবীনবা ইবুংঙোনা নোঙ্গুম্বীরকই হায়নৈ অদুদি ইবুংঙো মাদুদি কনানো হায়দুনা থিবদা ফংবা ঙম্লোই। ফংগনি মৈ, ঈশিং, নুংশিৎ, অহাঙবা অমদি লৈবাক হায়রিবা পোৎলম মঙা অসিদগী জিব শেম্মী হায়বসি মীয়াম্না য়ানরে। জিব ময়ামসিগী মনুংদগী তাইবঙ মীওইবা ঐখোয়না মকোক ওইরি।

মতাংসিদা ঐনা অৱাবা, নুংঙাইবা হায়বসি করিনো হায়না হংজবদা মাম্মহননা তাকপীরম্বদি ১) হকচাং নাদ-য়েক্তনা লৈবা ২) মীগী মরন তোন্দবা ৩) অরৈবা খরনা পেন্থোকপগা লোয়ননা পুন্সি লেল্লিবা মীওইশিংদো নুংঙাইবা পুন্সি কৌগনি হায়না তাকপীরম্মী। পেন্থোকপা হৈতবা তাইবঙ মীওইবশিংসি শা ওল্লকই। অকায়বা মিংশেলসি হিদাক্লা নপশিল্লবসু মমিদি অসুম লৈহৌগনি।

ঐখোয়না চারিবা থক্লিবসি মালেম ইমাগী মথক্তা হৌরিবা মনা মশিং ময়াম অসিনি। মসিগীদমক্তা তৌবীমল খঙবা উৎপা ওইনা চারমদাইদা চাক মরূ (১/২) অমা অনীদংগা এঞ্জাং মনা অমগা মালেম ইমাগী মতম্পাক্তা কৎকনি খঙদবা কৎনীংদবা, তৌবীমল খঙদবা মীয়াম অমা লৈরি। 'সিদসু নত্তে ঐখোয়না চারিবা থক্লিবা ময়ামসিগী ফত্ত-হৌদি মথি মকুম পূম্নমক ইমাগী তম্পাক্তা লোইনা তৌশিল্লিবনি। ময়াম অসিগী ভু ভায় পূম্নমকসি পুবা ৱারদুনা ইমানা শাউরকপা মাল্লি। ইমাগী তৌবীমল খঙদবা মী ময়াম অমা লৈরিবসি লোইনা শিখ্রগা ঈরাংসি নেমগনি হায়না মাম্মহননা তাকপীরম্মী অদুগা অমনা চিঞ্জাক হায়বসি য়াম্না লুই। শজিনা কৈ চাবা উখ্রব্রা? কৈনা শজি চাবদি উরে। মনা মশিং চাবা জিবশিং ঈং-তপ্পী শাহিং চাবা জিবনা ৱাইল্ড ওই শাওগল্লি। শাহিং ঙাহিং চাবা মীওইবনা মী অমবু হাৎপদা করিসু নাচুংদে। চারিবা চিঞ্জাক্তগী ঈ শুংই, ঈগী মচু চপ মান্নে। তৌবতবু মরোই চাবা, মনা মশিং চাবা জিবনা ঈং-তপ্পী। ময়াই কাবা চিঞ্জাক চাবা থকপনা শাওগল্লি, অফ-ফত্ত খন্থবা ঙমদে। ষণদা গীতা থিবা করি'মতা কান্নরোই। ষণগা মান্নবা য়াদে ষণদি মশা মউ ফৈ কল্লি অদুনা ষণনা ৱাইনসি হৌরকপদা ঐখোয়না থৈদোক্কনি, মাগীদি মচি পাল্লি খুল্লাই ফৈ। অহল লমনশিংনা হায়বীরম্বদা পাৎলিঙৈদদি হয়িংদফাওবা নোঞ্জৌ হায়বীরম্মী। ধর্ম্ম হায়বসি অরাপ্পদা চৎলগা থিরুগদবা নত্তে, খ্বাইদগী নকপা ঐ-ঐগী ইশাদা লোয়নরিবা লমচৎ শাজৎ অদুবুনি। খুদম অমত্তং পল্লবদা, অঙাং অমনা নূঙ অমা পায়রগা হুই নৎত্রগা হৌদোং অমদা থাবদা মনাক অদুৱাইদা লৈবা অহল অমনা কনাগী মচানো ধর্ম্ম লৈতেদা মসিগী অঙাংসে হায়নরিবদুনি। অঙাংদুগী মশাদা লোয়নরিবা করেক্টর অদুবুনি। ষণ অতেবনা ৱাইবা শরূ ফংই।

**অদোমগী - এস শ্যামবাবু**
ৱাংখৈ থাংজম লৈকায়

### ষ্টেটকী পাউ

## 'হেন্না চাওবা লাঞ্জাও অমা থোরক্কনি'

**ইম্ফাল, জুন ৬ (ঐচ এন এস):**

হৌজিক মণিপুরদা থোক্লিবা ইরাং অসিদা কুকি মিলিটেন্টশিং অসি তকথোকহৌদ্রগদি মসিদগী হেন্না চাওবা ইরাং অমা থোরকপা য়াই হায়না ওল ৱাংজিং লমদিং কাইরেনবীখোক ক্লব ওর্গনাইজেসন (এ দব্লিয়ু এ এল এ কে এ সি ও) গী এদভাইজর নারেংবম রাজিবকুমারনা লৈঙাক্লা অথুবদা অকনবা অহেনবা মীৎয়েং চঙনবা চেকশিন ৱা হায়খ্রে।




ঙসি কম্মিটি ফোর পিছ এন্দ ইন্টিগ্রিটিনা শীন্দুনা ৱাংজিং লমদিং কৈথেলদা মায়কৈ অদোমগী মৈরা পায়বীশিং, কৈথেল পোৎফম ফম্বীশিং য়াওনা ফমখিবা ৱাকৎ মীফম অমদা শরুক য়ারদুনা (এ দব্লিয়ু এ এল এ কে এ সি ও) গী এদভাইজরনা ফোঙদোকখিবদা হৌজিক মণিপুরগী ৱাংমা ম্যান্মাররোমদগী চিন কুকিগী টেররিষ্টশিংনি হায়নরিবশিং য়াওশিন্দুনা কুকি মিলিটেন্টশিংনা মৈতৈ মীচম মীয়ামদা নোংমৈ কাপশিন্দুনা মীশি মীনা থোকহল্লিবা নুপী অঙাং য়াওনা মীওই কয়া খা ৱাং মায়কৈ সলাই খঙদনা ষ্টেবল ওইদবা মওংদা লাঞ্জেনহল্লিবা অসি য়াম্না মওং মরিল তাদবা থম্মোয় পান্দবা, মীনুংশি য়াওদবা থৌওংনি।

লমদমসিদা হান্না লৈজরম্বা কুকি মীচমশিংসু মিলিটেন্টশিং অসিনা অরানবা শেমজিন শাজিনবা পাউ কয়া তমশিন্দুনা লোইনা অরানবা মায়কৈদা চৎহনখ্রে হায়খি।

অমরোমদা, মীচম মীয়াম ঙাকপী শেনবীগনি হায়না মীয়াম্না থাজবা থল্লম্বা অসাম রাইফলসনা মীয়ামগী থাজবা অদুগী ওন্ন-তৈনবদা কুকি মিলিটেন্টশিংদা তোংশিনবগী থৌওং অসি হৌজিক মখোয়গী অরোনবা এজেন্দা করি লৈবনো হায়বদু খঙদোক্লবা থিদোকহৌনবগী য়াম্না মতম চারবনি। লোয়ননা মণিপুর মীয়াম্না অপুনবগী শক্তমদি ঙাক্লবা হোৎনবা তাই। সেন্টর অমসুং মণিপুর লৈঙাক্লা অথুবদা অহেনবা মীৎয়েং চঙদুনা মণিপুর ৱাংমদগী ইল্লিগেল ওইনা চঙশিল্লক্লিবা কুকি মিলিটেন্টশিং অসি তকথোকহৌদবা তারবদি হৌজিক্কী লান অসিদগী হেন্না চাওবা লাঞ্জাও অমা শোয়দনা থোরক্কনি হায়বা ৱাফমসু ফোঙদোক্তুনা লৈঙাক্কী পুক্লিং চিংশিনখি।

ঙসিগী ৱাকৎ মীফম অদুদা দব্বল ইঞ্জিন মরৈ অনী লোংবা ইন্দিয়া অমসুং মণিপুর লৈঙাক্কী থৌওং য়ানিংদে। গো বেক অসাম রাইফলস, পোপ্পি প্লান্টেসন অসি লৈঙাক্লা অথুবদা মুখুৎপীয়ু, মণিপুরদা নেসনেল রেজিষ্টর ওফ সিটিজেন (এন আর সি) অসি খুদক্তা চৎনহল্লু, কুকি মিলিটেন্টশিংদগী অথুবদা সূ লৌথোকউ, ইল্লিগেল কুকি মাইগ্রেন্টশিংদা লৈঙাক্লা এক্সন লৌখৎপীয়ু অমদি সেন্টর অমসুং মণিপুর লৈঙাক্লা অথুবদা ৱারোইশিন পুরক্তুনা মীয়ামদা ইং তপ্পা লৈহনবীয়ু হায়বা প্লে কার্দশিং শীজিন্নখিবগা লোয়ননা খোল্লাউ কয়াসু লাউখি।

## হোম মিনিষ্টরনা কুকি মিলিটেন্টশিংদগী অয়াবা লৌফম থোকপ্রা: বোরাচাওবা

**ইম্ফাল, জুন ৬ (ঐচ এন এস):**

নেসনেল হায়ৱে থিংদুনা লৈরিবসি অমিট সাহনা হাংদোকপীয়ু হায়রুব্বদগী অয়ুক্কী পুং ১০ দগী নুংথিল পুং ২ ফাওবা হাংগনি। মসিদগী হেন্না হাংবা ঙম্লোই হায়বসি অঙকপনি। হোম মিনিষ্টর অমিট সাহনা কুকি লালহৌবদগী অয়াবা লৌবা হায়বসি ইন্দিয়া লৈঙাকসি লোইরবা অমগুম্বনি হায়না হান্নগী এম এল এ লাইতোঞ্জম বোরাচাওবনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাউমীশিংগা উন্নবদা মহাক্লা মখা তানা হায়খি, ইন্দিয়া লৈঙাক পায়রিবা হোম মিনিষ্টর অমনা কুকি লালহৌবগী অয়াবা লৌফম থোকপ্রা। কুকি লালহৌবগী অয়াবা লৌরগা লৈঙাক চল্লাইগনি খনবা লৈঙাকসিদি অরানবনি। লৈঙাকসি ফাগিগা মান্নবদৌনা মীয়ামদা উহল্লক্লে। ওদিষাদা ট্রেন অহুম থেংজিন্নবদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিদি য়েংবা চৎলি। মণিপুরদা ইরাং থোক্লিবা লান তৌনরিবসি থা অমা হেল্লক্লে। মী লাক্ষ কয়ানা ৱানরিবা, য়ুম মৈ থারগা হাৎলিবসি মী লিশিং কয়ানো, চেন্নরিবা চোংনরিবা অসিদা করিগী লাক্তবনো হায়না হংলক্লি।

মণিপুর চাওখৎতনা ইন্দিয়া চাওখৎপা য়ারোই হায়রিবা মণিপুরনি। মণিপুর হৌজিক লান তৌরি, লান লেমহৌখাক ওইরবনি। মসি ফাওবদা অমিট সাহনা লান তৌখো হায়দুনা থা তরুক শাংদোক্লি। থা তরুক্কী মনুংদা রিটয়ার্দ হায় কোর্টকী জজ অমনা লুচিংবা চিয়রমেন ওইবা কম্মিটিনা ইনক্বারি রিপোর্ট থা তরুক্কী মনুংদা পীরকউ হায়রিবসি করি হায়রিবনো।

লান খাম্লগা লান লেপহল্লগা কনানা তৌবা লাননো হায়বসি থিগৎকদবনি। লান মনুংদা রিপোর্ট করম্না লৌগদৌরিবনো। থিগৎপা হায়বসিদি অশেংবা রিপোর্টখঙন্নবনি। মখোয়না থিগৎত্রবসু লৈঙাক্কী ইন টলিজেন্স কাঙবুনা খঙলবা ঙাক্তনি। শুকথি থিদ্রবসু অদুমক খঙলবনি।

ম্যান্মারদগী লাকপা লোঙ্গ্রি শেৎপা য়াওনা পি দি এফকী ফিজোল শেৎপা ময়াম অমা অফবা খুৎলায়শিংগা লোয়ননা চঙলক্লে। মৈতৈগী চমজরবা লাইজেন্স গননা কৈদৌগদৌরিবনো। পি দি এফনা পায়রিবা খুৎলায়শিং অসি ইন্দিয়া ফাওবদা লৈরমগদবা মান্দে। অদুনা থা তরুক অসি নোংমৈ কাপ্পৌ হায়বা ওর্দরগা চপ মানৈ। মরম অদুনা ইন্দিয়া লৈঙাক অসিসু টেররিষ্টকা পাঙ্খক ওইরে। মণিপুরদা লানহৌরিবা টেররিষ্ট কুকি লালহৌবসি মণিপুরগী সিএমনসু টেররিষ্টনি হায়না লাউথোকখ্রবা অসি লোইশিন্দনা থম্বা হায়বসি ইন্দিয়া লৈঙাক্লা সপোর্ট তৌই। টেররিষ্টতা সপোর্ট তৌবা হায়বসিদা ইন্দিয়া লৈঙাক অসি করিগী টেররিষ্ট ওইরোইদৌরিবনো। মালেমগী লৈপাক কয়ানা নৈনরকপদা ইন্দিয়া লৈঙাক অসি টেররিষ্ট সপোর্ট তৌবনি হায়বসি করম্না হায়রক্লোইদৌরিবনো।

কুকি লালহৌবা লোইশিল্লবদি ইরাং লোইরে কোন্না বিচার তৌগদবনি। কুকি লালহৌবশিং ফ্রিন্দা থাদোক্লে অদুগা অসাম রাইফলসনা কুকিগী বঙ্কর ওইরে। এ আরনা ঙাক্লগা মৈতৈ হাৎহল্লে। এ আরগী বঙ্করসিগী মনুংদা সেরিঞ্জ য়াম্না ফঙলে হায়বা ফাওবা লৈরে। ইনজেক্সন কাপশিন কাপশিল্লগা দ্রগ পীজ পীজ দুনা লান থেংনহল্লে। লান লোইদনা ইনক্বারি তৌনবা থারক্কদবা হায়বসি লান তৌ হায়না থাদোক্লম্বনি। লানসিসু কদায়দগী হৌরকপনো হায়রগদি পোপ্পি থাবা য়াদে ফোরেষ্ট কোকথোকপা য়াদে হায়বদগীনি।

পোপ্পি থারিবা অসি এম এল এ তরাদি খঙলমগনি। ভি ভি আই পি, ভি আই পিশিংদি হায় প্রোফাইলদা য়াওরম্লোই হায়নিংঙাই লৈতে। পোপ্পি থাবগী শেনফমসি কদায়দা শীজিন্নৈ হায়বসি ইন্টলিজেন্সনা থিগৎলগদি ফঙগনি। কুকিগী এম এল এ তরাসি চেনখিদনবা বূক তৌহন্নিংই। মখোয়দি চেলহনবা য়ারোই। হৌজিক লৈরিবা ফিভমসিদা কোয়শিন্দবা তারগদি সিভিল ৱার লাক্কনি হায়খি।

**GOVERNMENT OF MANIPUR**
**DIRECTORATE: TRANSPORT DEPARTMENT**
**ꯄꯥꯎꯖꯦꯜ ꯐꯣꯡꯗꯣꯛ / PRESS RELEASE**
Imphal, the 6th June, 2023

**No. M-TPT/7/2022-DoTPT-DT:** It is hereby notified for all concerned public as well as Government agencies that the Helicopter Service in the route Imphal-Churachandpur and vice versa will be started from 7th June, 2023.

2. For booking to avail the Helicopter passenger service, the following numbers may be contacted:
# 9774977856, # 7896434426, # 7005001496
Or may contact the office of the Deputy Commissioner for booking of ticket.

*Sd/-* **Dr. Nivedita Lairenlakpam**
**Director (Transport), Manipur**

HL-B/8169/7

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৬৭

১) **"নুমিত্তি অসুম থেঙজীল্লক্লি"** হায়বা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিক্নো অমসুং অইবা কনানো?
২) **"নয়নী"** হায়না মীংথোনবা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?
৩) মণিপুরীদা **"বঙ্কিমচন্দ্র চেট্রজী"** হায়বা লাইরিক অসি কনানা হন্দোকপনো? লাইরিক অসিগী ওরিজিনেল অইবা কনানো?
৪) **"মণিপুরী জগোয়-ঈশৈ ৱারেং শৈয়োম"** হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবনো?
৫) **"করিগীনো নোংমৈবু পাল্লিবা নখোয়না/নোংমৈতবু কাপ্পীংলিবা/নোংমৈদা করি য়াওবগে পামজবা মহাও?"** শৈরেং মতেক অসি অইবা কনাগী লাইরিক্তা য়াওবা করম্বা শৈরেংদগী লৌথোরকপনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুন ১৫, শগোলশেন নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

ꯑꯗ꯭ꯃꯤꯁꯟ ꯑꯣꯄꯟ
**ADMISSION OPEN (CLASS-XI Sc.)**
**ST. STEPHEN HR. SEC. SCHOOL**
A Co-Educational Higher Secondary Education Affiliated to COHSEM
Hiyangthang Mamang Leikai, Imphal West 795009

**ADMISSION FEE : Rs. 1000/- only for First 50 students on First come First serve basis in view of the prevailing conflict.**

**SUBJECT TOPPERS OF THE SCHOOL**



S. Sunitibala (Thang.Ta:98) | P. Thoihen (Maths:90) | Y. Bidyaluxmi (Phy: 88, Chem:85) | S. Langlen (Bio: 87) | Sh. Silky (Eng: 84) | L. Menaka (MIL: 80)

- **80% and above: FREE ADMISSION FEE, FREE TUITION FEE.**
- **75% in class X Examination (BOSEM): Free Admission Fee**
- **Van services** will be available at all the major Routes.
- **Result of HSE 2023**:
  Total No. of students appeared: **149**
  Total No. of Passed : 148
  Letter Mark scorers in different subjects: **76 nos.**
  **Subject Topper** in Thang-Ta by Procuring 100 out of 100.(2022)

**Subjects Offered:** Eng, MIL/Alt. Eng., Phy, Chem, Bio, HFS, Maths & Thang Ta.

**ONE YEAR FREE ADMISSION & TUITION FEE for those Family students who are affected by the present conflict in the state.**

*For further details please visit school during school hour or contact +918257861324*

HL-P/6768/7&8 June

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, HEINGANG, IMPHAL EAST**
**Ref :- Mutation Case No. 288/SDC/Hng/IE/2023**

1. Yendrembam Pateshwori Devi W/o (L) Y. Prakash Singh
2. Yendrembam Devya Devi C/o Soibam Sashikumar Singh of Kakwa Lilando Lampak - Petitioner (s)

- Vrs -

Late Yendrembam Prakash Singh S/o (L) Y. Bira Singh
Lairikyengbam Awang Leikai - O.P. (s)

**ꯈꯪꯍꯟꯅꯕ / NOTICE**
Dated 6/6/2023

Under Section 46(3) MLR & LR, Act 1960 মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি:- ইম্ফাল ইষ্ট তহশিল খুল নং: 12-Lairikyengbam Leikai লৈবা অরিবা পাট্টা নং 195 অনৌবা পাট্টা নং: 737 দাগ নং: 989, এরিয়া 0.26 একর চাওবা Ingkhol অসিগী পাট্টাদার অসি মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারি অসিদা নামা পানবীরো হায়দুনা SDC Heingang গী কোর্টতা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউ-চে অসিনা ফোংবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা SDC Heingang গী কোর্ট অসিদা য়েৎলবা য়াগনি। হায়রিবা মতম অসিদগী হেল্লবদি কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না মখা তাবা ৱাকৎ তাদনা কেস মখা চৎথদুনা নামা ওল্লগনি।

**Sd/-**
**Sub-Deputy Collector,**
Heingang, Imphal East.

HL-P/6767/07 June